# ঙসি থোক্লিবা লম্বীগী খুদোংথিবা হয়েংদি থোকহল্লগুমসি

**নন্দা শমুরাই (এস ঐচ প্রেমানন্দা)**

***মীশিং*** য়ামখৎলকপা, চাওখৎপা হেনগৎলকপা লোয়ননা মতমগী মরু ওইবা অসি হেন্না খঙনরকপা মরম্না মাগী মাগী থৌদাং কয়া পাঙথোকপা ঙম্নবা চৎনবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী গাড়ী শীজিন্নবগী মশীংসু হেনগৎলকপা অদুবু লম্বীগী পাকপা চাউবগী চাংদি হেনগৎলক্তবা মরম্না লম্বী অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা কা হেন্না গাড়ী চিনবা হায়বদু ওইরে ঙসিদি মণিপুরদসু। হৌজিক্কান য়াম্না তোয়না থোক্লিবা লম্বীগী খুদোংথিবা অসি মসিনা মরম অমনি হায়বা য়াই। মঙোন্দা থোকপা ঙসিগী খুদোংথিবা অদু উরুবা মতমদা য়েংই অমসুং অমসু অমসু হায়নৈ ওন্থোক্লা থিনা শোকখ্রেদা নৎত্রগা ফীভম খরা লুই অমসুং য়াগদৌবা মান্দে হায়বনচিংবশিং। খোঙনা চৎপবু ওইরো, গাড়ী তোংববু ওইরো ঐখোয় পুম্নমক্না লম্বী চৎপদা ঙাক্কদবা ইচম চম্বা চৎনা কাঙলোন খরা অসি তঙাইফদনা খঙজিনমিন্নরে হায়রগা হয়েংদি অমুক অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহল্লগুমসি।

এক্সিদেন্ট থোকপনা পীরিবা চৈথেং অসি কনাগুম্বা খরদনা দিসএবল ওইহল্লম্মী অমসুং কনাগুম্বা খরগীদি মমল য়ামখ্রবা থৱায় অসি ফাওবা লৌবিখ্রিবনি। মসিনা খুদোংথিবা মায়োক্ল রিবা মশাখক্তদা নুংঙাইহন্দবতা নত্তনা হিংমিন্নরিবা খুদিংমক্তা নীংঙমদবা অৱাবা চৈথেং কয়ামরুম পীরিবনি। মসিগুম্বা চৈথেং অসি ময়াম চঙদুনা লৈহল্লগুমসি, থোকহল্লগুমসি অমুক হন্না হয়েংদি।

চৎন-কাঙলোন ময়ামদগী খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবদি ত্রাফিক্কী সিগনেল অমসুং গাড়ীগী সিগনেলশিংবু নিংথিনা খঙবনি তৌবতবু মণিপুরদদি ত্রাফিক সিষ্টেম অসি ষ্টেট কেপিটেল ওইরিবা গ্রেটর ইম্ফালদা খরমখৈ লৈরবসু খিতং লাপথোকখিবা মফমদদি অয়াম্বনা সিষ্টেমেটিক ওইদ্রে হৌজিক ফাওবগীদি। মরম অদুনা মখাদা থমজরিবা ইচম চম্বা ৱাখল্লোন খরা অসি খঙমিন্নসি লোয়ননা লম্বীগী খুদোংথিবা কয়া অসি থোকহল্লগুমসি।

লম্বী হায়বসিমক্তবু মীপূম খুদিংনা শীজিন্নরিবনি। ঐ ঐনা ইশাগীতা খনবদা লম্বীগী চৎন-কাঙলোনবু ইন্দ্রবদা ইরানদি লাঞ্জদবা মীওই অমদসু ঐহাক্না মরম ওইদুনা অকায়বা ওইহল্লুবা য়াই অমসুং ইশা ইশাসু হায়রিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি থোক্তুনা ইশা ইতোমতা কাইনথংদা নিংঙল্লকখিদবসু য়াই। অদুনা মতম পুম্নমক্তা অশোয় অঙাম য়াওদবা হায়বসিনা পুম্নমক্কী য়াইফগদৌরিবনি। হায়রিবসি ওইথোকহনবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী সহযোগ তঙাইফদে। পীক্তা পীক্লিবা অঙাং অমদি চহী য়াল্লবা অহল লমনশিংগীদমক্তি মখোয়বু খূৎ পায়দুনা শেন্নবীবা অমা মথৌ তাই।

ঐখোয়না মখোঙ অনী পানবা গাড়ীবু থৌবীগদৌরবা অফবা মখলগী হেলমেট অমা শোয়দনা উপ্পীরগদি মসিনা করিগুম্বা তুরবসু কোক্কী শরুক্তা শোক্কদবদগী ঙাকথোক্কদৌরিবনি। অদুবু



ঐখোয়সি হেলমেট শীজিন্নবগী মতাংসি ইরায় লায়থোকপগুম তৌই, হেরা অশ্বাইফাওদনি হায়না অদুবু খুদোংথিবা থোক্লমদাইদা কনাদসু তাকপীরমদে অমদি থোক্কদৌরে হায়বগী অকক্লবা ৱাফম মতম অমা লৈবা নত্তে। ত্রাফিক পুলিসনা ফাদনবনি হায়দুনা দন্দিদা হেলমেট উপ্পগী ৱাখলসি থাদোক্লে হায়রগা ইশাগী শোই ঙামদনবনি হায়না খনমিন্নরসি। মখোং মরি পানবা কারগুম্বা ওইরগনা সিট বেল্টস নিংথিনা ফাজিনবিবা কাউবিরোইদবনি। মসিনা করিগুম্বা থৌরিবা গাড়ী অদু খঙহৌদনা থেংজিনবা নৎত্রগা ব্রেক খংফা ফাবদা ইশা অদু মাঙলোমদা হুলক্তুনা কোকনচিংবা শোক্কদবদগী ঙাকথোক্কদৌরিবনি। চহী শুদ্রিবা মীওই অমদি গাড়ী নিংথিনা থৌবা হৈরে হায়বগী চাংয়েংগা তৌদুনা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা পীবা ইশাগী লাইসেন্সকা পায়বিদ্রিবশিংনা হেক্তমক কাখৎলগা গাড়ীবু থৌবিরোইদবনি। ময়ায় কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নরগা গাড়ী থৌবিদ্রবা অমসুং গাড়ী পায়বিবা মতমদা তপ্না ইংনা পায়বীগদবনি। লম্বীগা অমদি ইশাগা চানদবা মওংদা গাড়ীগী খোঙজেল কা হেন্না য়াঙহনবীদবা লোয়ননা গোলাই অমা থেক্লমদাই গাড়ীগী খোঙজেল হন্থহনবগা লোয়ননা হোর্নসু শীজিন্নবীবা তঙাইফদে।

ইশাগী লম্বী মপাদা (লেন) অসুমক থৌবিরবা লোয়ননা লম্বী ময়ায় চবুক্তা থৌবিদ্রবা অমসুং মায়োক্লবদগী লাক্লিবদুগীসু মশাগী লম্বী পীবিখ্রবদি থেংজিন-য়ৈশিন্নদুনা শোক্কদবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া অসি থোক্লোইদৌরিবনি। ইশাগী গাড়ীগী ফীভম কমদৌরি হায়বসি গাড়ীদুবু পায়বিরিবা ইশানা তোয়না য়েংশিনবীগদবনি। মরুওইনা চকাগী টয়ার, লাইট, ব্রেক, ষ্টিয়ারিং অমদি নটনচিংবশিংগী ফীভম কমদৌরি হায়না। গাড়ী থৌরিঙৈ মতমদা মোবাইল ফোন শীজিন্নবিরোইদবনি মরমদি মদুনা ৱাখল অদু লংফৈ অমদা পুখিদুনা পামদবা থৌদোক অসি থোকহনবা য়াই।

থবক অমা চৎপীবা মতমদা খরা মাঙজৌননা তহা তহাদনা অমদি মতম চানা হাথু-হাথুদবীদা চৎপীগদবনি। লম্বী অমা লানবীগদৌবা ওইরগদি লানদ্রিঙৈ মতমদা নাকল য়েৎ-ওই, মাঙ-তুং নিংথিজনা য়েংবিগদবনি। লম্বীদা শা-ষণ থাদোকপা অমদি লম্বীগী মতাইদসু পুনশিনবীরোইদবনি মরমদি মদুনা গাড়ী থৌরকপা মীওই অমদা লমুক্ল হনবা য়াই নৎত্রগা পঙখন খঞ্জানহন্দুনা অয়েৎপা ওইহনগদৌরিবনি। গাড়ীশিংদা মশাগী পীজরিবা সিট কেপাসিটিদগী হেন্না তোংশিনবীরোইদবনি, মদুনা গাড়ী কন্ট্রোল তৌবদা খুদোংচাহনদবা থোকহল্লি। লম্বী ময়াদা করিগুম্বা কান মীওই খরদি শান্নবসু থেংনজৈ মসি তৌবিরোইদবনি। গাড়ী মনুংদা তোংলিঙৈদা থোঙনাওদা খূৎশা অমদি কোক লিৎথোকপা-তিংথোকপা তৌবিরোইদবনি । মরমদি নাকলদগী লাকপা অতোপ্পা গাড়ী অমনা খেৎতুনা অশোক অপন থোকহনবা য়াই।

মরম অদুনা অতেনবা অমদি ইচম চম্বা লম্বীগী চৎন-কাঙলোন খরা অসি খঙজিনমিন্নরে হায়রগা নুংতিগী মফম কয়াদা থোক্লিবা লম্বীগী লাইবকথিবা পামদবা থৌদোক অসি থোকহল্লগুমসি। ঐখোয় লোয়না ইশা ইশাগী থবকশিংসু নংনবা চৎন্নসি অমুকসু অশোয় অঙাম য়াওদনা য়ূমদা হল্লক্তুনা ইমুং মনুংগা শেৎনা খায়নদনা নুংঙাইনা হিংবা পুন্সি মরেল অমা হায়বদো ওইমিন্নসি।

অসিগুম্বা কয়া অসিদগী কন্ননবা অমদি মীয়ামপুম্বা লম্বীগী মরমদা খঙমিন্ননবা হায়দুনা য়ু এন রোদ সেফটি কোলাবোরেসন্না মরিরকশুবা য়ু এন গ্লোবেল রোদ সেফটি ৱীক অসি চৎলিবা থা মে ৮-১৪ ফাওবা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোকখ্রে। চহীসিগী ওইনা ৱীক অসি পাঙথোকপদা মরুওইনা গাড়ীগী খোঙজেল অমসুং মসিনা লম্বীদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি কমদৌনা থোকহল্লোইদগে হায়বসিদা মিৎয়েং থমখি। ইন্দিয়াদসু রোদ সেফটি ৱীক অসি চহী খুদিংগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকই। চৎলিবা চহীগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা ২৮ লকশুবা রোদ সেফটি ৱীক জান্যুৱারীগী তারিখ ৯ দগী ১৫ ফাওবা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

# অনৌবা লৈঙাক্তা এদেদ স্কুলশিংগী অনৌবা আশা

**—এম থম্বৌ সিংহ—**

***লমদম*** অমগী চাওখৎপা অমদি অওনবা অমা লাকপা হায়বা অসি মরুওইনা মীপুম খুদিংমক লাইরিক্কী মঙাল নিংথিনা ফংহন্দুনা নুপা নুপী খাক্তনা লৌশিংগী পুক্কে নিংথিনা থম্বা য়াম্নমক তঙাইফদবা চঙই। এদ্যুকেসন্না লৈবাক অমগী য়াংলেন শরুনি হায়নরিবনি। মসিদা মতম মতমদুগী লৈঙাকপশিংগী অমদি এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী থৌপাংবা য়াম্নমক মথৌ তাই।

হন্দক অনৌবা য়াওল অমা ওইনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা থম্বাল শাৎলকপা অসিদা সেন্তরগী মোদিজিগী ফজরবা লৈঙাক্কী থবক থৌশিল কয়া ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া খুদিং চিৎথবা লৈতনা ফজরবা অওনবা হান্না অমুক্তা থোকখিদ্রিবা কয়া মীয়ামদা উহনবীরে অমসুং কয়া কয়ামসু উহনবীরক্কনি। মসিদা মণিপুরদা চহী ১৫ চুপ্না লৈঙাক চুপ্লি পায়রম্লবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা নমশিন্দুনা থম্লম্বা থবক থৌরম কয়া, মখোয়না মোৎহল্লম্বা কয়া অনৌবা পিয়ুরিফাইগী মেছিন কয়া থাজিন্দুনা শেংদোক্লবা হনবা লৈতনা থৌনাগা লোয়ননা হীরম কয়াদা বি জে পিগী ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা হোৎনরক্লিবা অসি ঐখোয় মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে। মসিনা ঐখোয়দা অনৌবা আশাগী ময়োন অমা চোঙহনবা, লোয়ননা শকউদবা মপূ মহাক্লা পেনবীবগা লোয়ননা ইকায় খুম্নজরিবা মণিপুর সী এম অমদি মহাক্কী লৈঙাক্কী থৌবুরেনশিংবু মুৎপা নাইরোইদবা মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়বা অসি অরানবা ওইরোই।

মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা নমশিন্দুনা থম্বীরম্বা কয়াগী মনুংদা এদেদ স্কুলশিং অমদি কোলেজশিং অসিসু অমনি। কুমজা ১৯৮০ গী ওক্টোবর ১ দা আর কে দোরেন্দ্রগী লৈঙাক্তা ইরেংবম তোমপোক্লা এদ্যুকেসন মন্ত্রি ওইবা মতমদা মণিপুরগী রিকোগনাইজ স্কুল ৬০৫ গ্রান্দ পীবিদুনা মথৱায় হাপ্পীখিবনি। মতম অদুদা হায় স্কুলগী থাক্তা কেরানি অমা য়াওনা নন -প্লান পোষ্ট ৪/৪ পীবিখিবনি অদুনা ইলিমেন্টরিদা নন-প্লান্দা পোষ্ট ২/২ পীবিখিবনি অদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৬ তা মণিপুর Govt. post creation no. 4/8/85-SE(S) pt. dt. 4-4-1986 দা প্লান পোষ্ট অমমম পীদুনা অপূনবা সেঙ্কসন পোষ্ট ১৭৪৯ লৈরকখিবনি। অদুগী মথক্তা এদেদ সেকেন দরিদা হিন্দি পোষ্ট ৯৯ সেন্তরনা ১০০% গ্রান্দ পীবা অদুসু কুমজা ২০০২ দগী মণিপুর লৈঙাক্লা ককথৎলগা নমশিন্দুনা থম্বীখিবনি। মসিদা উপাই লৈত্রবা ওজাশিংনা অঙম অথৌ কয়াদা হায়জ চৎচবা তৌবদসু নূংদা ঈশিং চাইবগুম থোকখি। উপাই লৈত্রবা ওজাশিংনা সেন্তরদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনবদা সেন্তরনা হিন্দীবু য়াম্না মরুওইবা বিষয় অমা ওইনা লৌবীদুনা I.P. Mistra Economic Adviser D.O. No. 7-4/2011/A.I.T. dt. 19-7-2011 Govt. of India ministry of human resource development of school education and literacy santivawan New Delhi 110115 অসিগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্তা মরম পীরক্লবা হায়রকপদা তাবীদনা দিরেক্টিব নমশিন্দুনা থম্বীখিবনি।

অমুক্কা হেন্না শাথিরিবদি গ্রান্দ পোষ্ট সেকেন্দরি অমদি ইলিমেন্টরি অনীমক্তা চহী শুদুনা থবক্তগী পোথাখিবা শিখিবা নাখিবা য়াওখিবা কয়াগী মহুৎ দি পি সী তৌদুনা হাপ্পা য়ারম্মী। হাপ্পা মতমদা মতম অহোবা লৈরমদে লৈরবসু রেট্রোপেটিক ইফেক তৌবীরম্মী। অদুবু থৌবাল হাওখাগী স্কুল অমগী চয়েৎনবা কেসকা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লা স্কুল অদুগী অচুম্বা ৱায়েন তৌবগী মহুৎ মণিপুর অপূম্বগী ওইনা অহাংবা পোষ্ট হাপ্পা য়াদনা লৈঙাক্লা খুদোংচাবা লৌদুনা স্কুল অমখক্কী মরমদা মৈচেন্নদুনা কুমজা ২০০৬ তগী ২২-১২-২০১১ ফাওবা নমশিন্দুনা থমখিবনি। অমুক্কা কন্না হোৎনদুনা য়ানবা পুরক্তুনা ২৩-১২-২০১১ দা রাজ্য লৈঙাক্কী লোইশঙনা কনভোয় ওর্দর থোক্তুনা পোষ্ট মেনশিনবা য়াহনখি। অদুবু লাইবক থিবদি মথৌদি তৌবা ওজাশিংগী চহী ৫/৬ কী পুৎথখিবা মতমগী শেনফম পুম্নমক মণিপুর লৈঙাক্লা মৎতুনা খুদক্কী ওইবা ইফেক তৌবিদুনা এদেদ স্কুলশিংদা ঙমখৈ লৈতনা অৱাবা মায়োক্লহনখি। মতমদুদা পুথখিবা খুদিংমক ফুক্কৎপা ঙমদনা লাইওইরবা অনাবগুম ফগৎপা ঙমদনা লৈরি।

অমুক্কসু মণিপুর লৈঙাক্লা চহী ৬০ শুরবা অহল ওইরবা খুদিং অহল ওইবগী পেন্সন পীবিরি। অদুবু অপীকপা এপ্রুভ ওজা অনী অহুমগী পৈশা খরনা য়েন্নদুনা ফংবা ৱারবা ওজাশিংনা থবক্তগী পোথাখিবা মতুংদা চহীনদি লুমশিল্লবা অতোপ্পা থবক থানা কয়া শুবা চৎপসু ঙমজদ্রবা ওজাশিংগী ওইবা পেন্সনগী শেনফম খরদং ওইরবসু পীবিনবা হায়জবদা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা তাবিদনা লৈখি। উপাই লৈত্রবা মরায়বক থিরবা ওজাশিংনা ইকায়খুম্নজরিবা হায় কোর্টকী মতেং লৌবদা কোর্টনা ওজাশিংগী সার্ভিস প্রোটেক্সন পীখিনবা cont. cas. (c) No. 180 গী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৪ দা পীখ্রবনি মদুসু কোংগ্রেস লৈঙাক্লা নাথৈদুনা থম্বীরমখি।

পুম্নমক অসিদা সেন্তরগী তরুকশুবা পে চৎনখিবা চহী অনী অহুম শুরবা অমুক্কা তরেৎশুবা পে রিভাইস লাকপা হৌখ্রবা অসিদা এদেদ এপ্রুভ পোষ্টশিংগীদি নাথৈরগা থম্বীরিবনি। হান্নদি এদেদ ওজাশিংগী পে রিভাইস খুদিং থার্দ, ফোর্থ, ফিফ অমদি কুম্মৈ হরাউগী বোনস য়াওনা ফংহনবীরম্মী। অদুগা কোংগ্রেসকী লৈঙাক্লা পুম্নমক খঙবী উবীদনা থম্বীরমখি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা কুমজা ২০১৭ কী মীখল ময়াদা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মন্ত্রিনা ভোট ফংননবা তাং ২৮-১২-২০১৬ তা মহৈরোয় ৩০ খুদিংগী পোষ্ট অমমম পীবগী ৱাফম করিগুম্বা কেন্দ্র খরদা লাউথোকপগী পাউ তাখ্রে। মদুসু মহৈরোয়গী লিষ্ট অদু মন্ত্রিগী ফুরিৎখাওদগী পুথোরকপা লিষ্ট ওইখি। মরমদি মণিপুরগী মনুংদা মহৈরোয় মরাং কায়না লৈবা এদেদ স্কুল কয়া নাথৈরগা লৈরি মদু কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লৌবা অচুম্বা খোঙথাং ওইদে।

পুম্নমক অসিবু ঙসিগী অচুম্বা পাম্বা ফজবা অওনবা পুরক্লিবা ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক্কী লুচিংবীরিবা চিনগা থবক্কা থবক্লা মাঙ থাবা অকিবা লৈতবা অচুম্বগী পুজারি ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী সী এম নোংথোম্বম বিরেন অমদি মহাক্কী লৈঙাক্লা এদ্যুকেসনগী অওনবা অমা লাকহনবদা মরায়বক থিরবা ৱাদুনতা লাক্লবা এদেদ স্কুলশিং অমদি কোলেজশিংগীসু মিৎয়েং অমুক্তং চঙবীরক্কনি হায়বগী আশা চাউনা এদেদ স্কুলশিংনা তৌজরি। অদু ওইরবদি মুৎনাইদবা মহয় লৈহৌরগনি। এদেদ স্কুলগী ওজাশিংবু অমুক হন্না পোকপীবগী পুন্সিগী লমন তোনশিঞ্জরে খঞ্জগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈঙাক্কী অশানবা মিৎয়েং চঙহঞ্জনীংই

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মীওইবগী*** পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা ক্লাস টেনগী ইগজাম হায়দোরক্লগনি। লৈঙাক্লা লায়রবশিংগী খনবীরগা লৈঙাক্কী মহৈতম্ফমশিং নিংথিনা শেমগৎপীদুনা প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী হেন্না ফবা ক্বালিটি লৈবা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল মরাং কায়না লৈহঞ্জনীংই। লৈঙাক্কী লোইশঙদা থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমক্লা লৈঙাক্কী স্কুলদা তমদবা য়াদে হায়বা ৱাফম অসিমদি থাগৎচরি। লৈঙাক্লা অকনবা নোটিশ থোকপীদুনা বন্দ, ব্লোকেদ মরাং কায়বা লমদম ওইবনা মহৈশঙদদি ছুটি য়াম্না থাবিদবা, ওজাশিংনসু লিভ লেট্টর য়াম্না লৌবগী অয়াবা থম্বীদবা, তঙাইফদনা মহৈরোয়শিংগী ভোট তৌবা তারবসু লৈঙাক্লা অকক্লবা কাঙলোন শেম্বীদুনা মতম য়ারিবমখৈ মাঙহনবীদ্রবদি করিগীসু গভর্ণমেন্ট স্কুল পাম্নরোইদৌরিবনো অমদি ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়বদুসু খরমখৈদি শোয়দনা পুরক্কনি নীংজৈ।

প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা মতম পুম্নমক্তা মহৈরোয় মশীং হেন্না ফবা ওইনবা শিল্লবসু মসিগী ওন্না তৈনবদা করবার ওইনা অদুমক তৌই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খুদম ওইনা ক্লাস টেন পাস তৌরবশিংগীদমক ফজরবা ওফর কয়া অমা পাউচেদা এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা (হন্দকসু এদভর্টিজমেন্ট তৌরক্লনি) মীয়ামদা উৎ চাইদুনা য়াল্লবা মহৈরোয় কয়া অমা অনৌবা স্কুল লিংখৎলিবশিংনা খোল্লি ক্লাস এলেভেন তম্নবগীদমক। পোজিসন হোলদরশিংবু য়াল্লবা শেনফম লুপা লাক্ষ ১ দগী ৫ ফাওবা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীরি (লৈনরি) ইগজাম হায়দোক্ত্রিঙৈদা মী থাদোক্তুনা করম করম্বা স্কুলদা পোজিসন লেপকনি থিবা হৌনরে। মসি অমরোমদা ফরবসু মসিনা অঙাংশিংবু মনিং তম্না লাইরিক তম্বা ফংহন্দে হায়বসিসু লাল্লরোই।

নাকল অমদনা প্রাইভেট সেকেন্দরি স্কুল অয়াম্বনা, অফবা মহৈরোয় য়োকখৎপীবা অসিমদি ফত্তে হায়ববুদি য়ারোই। স্কোলর, বুক, য়ুনিফোর্ম অসিনচিংবা পীগনি হায়দুনা চাদা ৮০ মথক ফংবশিংগীনা এদমিসন/ট্যুশন ফী ফ্রী ওইহন্দুনা। নাকল অমদনা নমথাক তৌরিবা, খন্থহৌদবনা লায়রবা ঐখোয়দি লোয়না ফ্রী ওইবদুদা চঙশিল্লুবনি মসি লাল্লদ্রা, অদুগা স্কুল ওথোরিটিশিংনা গুমভিরনা মচিঙ্গাক চারমদাইদা মমিৎতা মপি তাবগী মতৌগুম্না য়াল্লবা মহৈরোয়শিং খোমদুনা মপূং ফারবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমা ওইনবা শিল্লি। মপূং ফারবা কান দনা ক্লাস টুয়েল্ভ কারক্লবগী দাইরেক্ট প্রমোসন ইগজামদা য়ারিবমখৈ মার্ক লীক্লা পীদুনা মহৈরোয় অদু চাদা ৮০ মথক ফংদনবা শিল্লি, মার্ক ৩০ গী প্রেক্টিকেলদা মার্ক ২৮-৩০ পীবা য়াবদুদা ১৮ দগী ২০ ফাওবা পীদুনা চাদা ৮০ য়ৌহন্দ্রগা য়াল্লবা শেনফম হান্না ফ্রী ওইখিবা অদু অমুক নৌনা এদমিসন তৌহন্দুনা ট্যুসন ফী লৌরি। সবজেক্ট ১/২ ফেল ওইবশিংদনা ইমপ্রুভমেন্ট ইগজাম থাহন্দুনা সবজেক্ট অমদা লুপা ৭০০ তগী ১০০০ ফাওবা খোমগৎলি। মসি মপূ পান্দে তৌনীং তৌনীংবদা তৌরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লদরা। অদুবু মনীং তম্বা মীওই খরগী হায়র সেকেন্দরি স্কুলনি করিবুদি হায়রুবগী ইতিক লৈ। স্কুল হোংদোক্কে খল্লবসু কাউন্সিল (কোসেম) ফেবর তৌবা মানবা মওংদা টি সী (ত্রান্সফর সার্টিফিকেট) পীবিদ্রি ক্লাস এলেভেন তম্বা স্কুলদুদা অদুম তমগদবনি হায়না। মরম অসিনদি লায়রবা মহৈরোয়শিংদি লাইরিক তম্বা তোকপা নৎত্রগা চহী মাঙবা তারিব্রা, প্রাইভেট সেকেন্দরি স্কুলদা নৌনা এদমিসন তৌবদা লুপা লিশীং ১৫ দগী ৩০, ফাওবা মন্থলি ফীনা থা খুদিংগী লুপা লিশীং ১, ২ দগী ৫ ফাওবা অদুগী মথক্তা ত্রান্সপোর্ট চার্জ অসিনচিংবা কয়া অমা লৈরি। খোঙফম অসিমদি খরা খজিক হন্দোকচহন্নীংই। মমা-মপা ওইবশিংনা খরা খজিক চেকশিনহঞ্জনীংই, খন্থহঞ্জনীংই অমদি লৈঙাক্কীসু মিৎয়েং চঙহঞ্জনীংই।

*অদোমগী - দাও অঙোমজাম্বম, খুরাই সাজোর লৈকায়*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০**

১। ‘‘বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?
২। ‘‘কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।’’ পরেংশিংসি ‘মঙদসু তাইবঙদসু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। ‘‘পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।’’ পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী ‘সপ্তসরোজ’ বু মণিপুরীদা ‘থম্বাল তরেৎ’ হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং ‘শৈরেংদসু ৱারেংদসু’ হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।